**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 17-02-2025)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**
**--অহানবদা মরুওইবা পাউ**

১) মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ অমগী কাদর অমা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

২) সেনাপতি জিলাদা ইংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪.৮ য়ৌরে।

**অমসুং**

৩) বি.এস.এফ অমদি বোর্দর গার্দ বংলাদেশকী ৫৫ শুবা দাইরেক্তর জেনরেল থাক্কী মীফম ঙসিদগী নিউ দেল্লিদা হৌরগনি।

**পুলিস(এল)ঃ** আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি-পি.দব্লিয়ু.জিগী কাদর অমা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমা থোকপা চেরোল অমদা হায়-মীওই অসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং পুলিস স্তেসননা কোনবা খাবৈশোইদগী মনিং লৈকায়দগীনি। মহাক মীয়ামদগী অমদি সরকারগী থবক তৌবা ওফিসিএলশিংনচিংবা মীওই কয়াদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়-মণিপুরদা তংদু লৈতাবা ফীভম পুরকবগী লৌখৎলকপা চেকশিল থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মরুওইনা চীংগা তাইনবা মফমশিং অমদি ইরাং থোক্কনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চখৎরি।

নেসনেল হায়ৱে-২ ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা পোৎচৈ পুবা গারি ৩৩৭ ঙরাং সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিল থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল তমা পুশিল্লকখ্রে। মখা তানা গারিশিং চথোক চৎশিন্দা অয়েৎ-অপন থোক্তনবা তোঙান তোঙানবা লম্বীগী নাক-য়েৎশিংদা সেক্যুরিতি কনভোইশিং ঙাকশেলগী থবক লেপ্তুনা পায়খৎলি হায়নসু পুলিসকী চেরোল অসিনা পল্লি।

**এআর(এল)ঃ** হেদক্বাতরস আই.জি.এ.আর সাউথনা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি-হৌখিবা থা অসিগী ১৪ অমদি ১৫ দা চুরাচান্দপুর, থৌবাল, তেংনৌপল অমদি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মফমশিংদগী ভারত লাম্মী অমদি অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাংবুনা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপ ১৬ খূৎলাইগা কোন্ননা ফাগৎপা ঙমখি।

চেরোল অদুদা মখা তানা হায়রি-ইন্টেল্লিজেন্সকী পাউ ফংবদগী থা অসিগী ১৪ দা চুরাচান্দপুর জিলাগী ভারত ম্যান্মার ঙমখৈ মনাক্তগী লালহৌলুপ খরগী কাদর ৭ য়াল্লবা খূৎশু খূৎলাইগা কোন্ননা ফাগৎপা ঙমখি। খূৎলাইশিং অদুগী মনুংদা ৭.৬২ এসোল্ট রাইফল, সিঙ্গল বেরেল রাইফল ৩ নচিংবা য়াওরি। নুমিৎ অসিমক্তদা তেংনৌপল জিলাদা দ্রোন, বোম দিস্পোজেল টিম অমদি এক্সপ্লোসিভ দিতেক্সনদা শিজিন্নবা হুইশিং য়াওনা থিবা হুন্থগী থবক চথখি। মদুদা, নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, ৭.৬৫ পিষ্টোল অমা, ইমপ্রোভাইস লোং রেঞ্জ মোর্তার, আই.ঈ.দি খরা, বোম খরা অমদি নোংমৈ মরুনচিংবা ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট অমদি থৌবাল জিলাগী হৈরোক অমদি সিখোঙ সেক্মাইগী মফমশিংদা অসাম রাইফলস অমদি মণিপুর পুলিসনা ইরাই নুমিত্তা চথখিবা ওপরেসনদা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপ খরগী কাদর ৫ ফাগৎখি। লোয়ননা, থাংজ নুমিত্তা ভারত লাম্মী অমদি অসাম রাইফলসনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অন্দ্রো খুন্নৌদা চথখিবা ওপরেসনদা লালহৌলুপ খরগী কাদর ৪

খূৎলাইগা কোন্ননা ফাগৎপা ঙমখি। চেরোল অসিনা হায়-ফারবা মীওইশিং অসি মরি লৈনবা পুলিস স্তেসনশিংদা শিন্নখ্রে। রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা পুরকবা অমদি মীয়ামগী ঙাকশেলগী থবক্কীদমক ভারত লান্মী, মণিপুর পুলিস, অসাম রাইফলস অমদি অতৈ সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি।

**ইংবা (এল) ঃ** সেনাপতি জিলাদা ইংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪.৮ ওইরে। রাজ্যগী এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ বিভাগনা ঙরাং ফাওবগী পীবা অইং অশাগী রিপোর্টকী মতুং ইন্না উখ্রুল জিলাদা ইংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৬.৭, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা ৬.৩৮, ইম্ফাল ইষ্টতনা ৭.৮৭ ওইখি।

অমরোমদা, ইন্দিয়া মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা পীবা ৱেদর রিপোর্টকী মতুং ইন্না হয়েং মণিপুরগী জিলা খরদা অখাক অরাওগা লোয়ননা পুংদা কিলোমিতর ৩০ দগী ৪০ ফাওবা য়াংবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎকনি হায়রি। জিলাশিং অদুদি-ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, তামেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, উখ্রুল, জিরিবাম অমদি নোনে জিলানি।

**পরিক্ষা (এল)ঃ** কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইদুকেসন মণিপুর (কোসেম)না লৌবা ক্লাস তুয়েল্ব পরিক্ষা ঙসিদগী হৌরগনি। পরিক্ষা অসি মথং থাগী ২৬ ফাওবা চখগনি। পরিক্ষা অয়ুক পুং ১০ দগী হৌরগা নুংথিল পুং ১ ফাওবা চখগনি।

পরিক্ষা অসিগী য়েংলগা পরিক্ষা সেন্তরশিংগী অকোইবদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে।

পরিক্ষা অসিদা সাইন্স ষ্ট্রিমদা মহৈরোই লিশিং ২০,৮৯৩, আর্টস ষ্ট্রিমদা মহৈরোই লিশিং ৭,৬৩২ অমসুং কম্মর্স ষ্ট্রিমদা মহৈরোই ৫৪০ পুন্না মহৈরোই লিশিং ২৯,০৬৫ না পরিক্ষা থাগনি। পরিক্ষা অসিগীদমক চীংগী পরিক্ষা সেন্ত্র ৩৮ অমসুং তম্পাক্কী পরিক্ষা সেন্তর ৭৪ পুন্না পরিক্ষা সেন্তর ১১২ দা

হাংদোক্লি। পরিক্ষা অসি নিয়ম চুমা পাঙথোকবগীদমক কোসেমনা মীওই অহুমা শাবা ফ্লায়িং স্কৱাদকী টিম ৪৮ শেম্লে।

**বংলাদেশঃ** ভারতকী বোর্দর সেক্যুরিতি ফোর্স বি.এস.এফ অমদি বংলাদেশকী বোর্দর গার্দ বংলাদেশ(বি.জি.বি)গী ৫৫ শুবা দাইরেক্তর জেনরেল থাক্কী মীফম ঙসিদগী নিউ দেল্লিদা হৌরগনি। নুমিৎ মরিনি চথগদবা মীফম অসিদা বি.জি.বিগী দাইরেক্তর জেনরেল, মেজর জেনরেল মহামদ অশ্রাফ্জামননা লুচিংদুনা দেল্লিগেট ১৩ না শরুক য়াগনি। দেল্লিগেটশিং অসিদা বি.জি.বিগী সেনিয়র ওফিসিএল খক্তা নত্তনা চিফ এদভাইজরি ওফিসকী ওফিসিএলশিং, গৃহ মন্ত্রালয়, মপাল থৌরম মন্ত্রালয়নচিংবগী ওফিসিএলশিংসু য়াওরি।

**অয়ুসঃ** অয়ুস মন্ত্রালয়না লেমজনিঙাই ওইরবা প্রধান মন্ত্রি য়োগ এৱার্দ ২০২৫গীদমক মিং পীশিল্লকবা হায়রি। মনা অসি ইন্টরনেসনেল ডে ওফ য়োগা নুমিত্তা খূৎশিন্নগনি। য়োগগী লমদা জাতি অমসুং মালেমগী থাক্তা শিংথানিঙাই ওইনা চাউখৎহন্নবা হোৎনবা মীওই অমসুং লুপশিংবু শকখঙবা ওইনা এৱার্দ অসি পীবনি। য়োগনা লায়নাশিংদগী ঙাকথোকবা অমসুং হকচাং ফনা থমবা লৌরিবা থৌদাংবু মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবা হোৎনরিবাশিংবু পুকিং থৌগত্তুনা এৱার্দ অসি পীবনি। এৱার্দ অসি জাতি অমদি মালেম থাক্কী ইন্দিভিজ্যএল অমসুং ওর্গনাইজেসনগী কেটগোরিদা পীগনি। এৱার্দ অসিদা ট্রোফি, সার্তিফিকেট অমসং শেল ওইনা লূপা লাখ ২৫ য়াওরি।

**মুরমুঃ** রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-হৌখিবা চহী ১০ দা সরকারনা ট্রাইভেল মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংগীদমক তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া পায়খৎখি। নিউ দেল্লিদা ঙরাং আদি মহোদসব ২০২৫ হৌদোক্লদুনা শ্রীমতি

মুরমুনা হায়-ত্রাইভেল মীয়ামগী নাৎকী চৎনবী অমসুং পুন্সি মহিংনা লৈবাক অসিগী কলা সংস্কৃতিদা হেন্না ইনাক খুলহল্লি। মহাকা হায়-চহী অসিগী বদজেটতা ত্রাইভেলশিংগী য়াইফ থৌরাংগীদমক হান্নদগী শরুক অহুম হেনবগী শেনফম খাক্তুনা থল্লে। মহাকা হায়-ত্রাইভেলশিংগী সমাজগী ফীভম ফগৎলক্লবা মতমদতা লৈবাক অসি চাউখৎপা লৈবাক অমা ওইবা ঙমগনি। রাস্ত্রপতিনা হায়-ত্রাইভেল মীয়ামগী খূৎশা হৈবগী পোখোক-ফীরোল, লৈতেংগী পোৎলমশিং, মৈহৌরোলদগী চৎনরকপা অনা-লায়েংগী থৌওংশিং অমসুং শান্ন-খোৎনবনচিংবা অসি লৈবাক অসিগী তাংলবা লন ওইরি। ত্রাইভেল এফিয়র্স মন্ত্রালয়না শিনবা আদি মহোদসব অসি থা অসিগী ২৪ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-সরকারনা ইং ২০৩০ দা লৈবাক অসিদগী মপাল লমদা তেক্সতাইলগী পোৎলমশিং থাদোকপগী চাং লূপা কোতি লাখ ৯ য়ৌহন্নবা পান্দম থল্লি। হৌজিক্কী ওইনা লৈবাক অসিনা মপাল লৈবাক্তা তেক্সতাইলগী পোৎলমশিং থাদোকপগী চাং লূপা কোতি লাখ ৩ ওইরি। নিউ দেল্লিগী ভারত মন্দপমদা ঙরাং পাঙথোকপা ভারত তেক্স ২০২৫দা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অসিগী তেক্সতাইল অমসুং এপ্পারেল থাদোকপগী চাং মমাঙ চহীদা হান্নদগী চাদা ৭ হেনগৎখি। শ্রী মোদিনা হায়-ভারত অসি মালেমগী ওইনা লম অসিদা তরুক শুবা মফমদা লৈরি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মাইকৈ কয়াদগী মণিপুরদগী প্রসিদেন্ট রুল থৌথোকবা তকশিনবগী পাউ লাইশ্রম মালেমঙানবাগী লৈরোল চনখিবগী পাউ অমদি মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা রাজনিতিগী ৱাথোক্কা মরি লৈনবা পাউশিংনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরে।

সেন্তরনা পোলিতিকেল রোদ মেপ অমা পুথোরক্কনি হায়না কুকি এম.এল.এশিংনা থাজবা থল্লি। মীয়ামগী অৱাবসি অককবা মতমদা লোইশিন্নবা হোৎনবীয়ু হায়বা ৱাফম পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

সনালৈবাক্তা-পি.আর চল্লাইখ্রবা মতুং কুকি এম.এল.এশিংনা ৱারি শান্নবগী ৱাফম হৌদোরক্লে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা-পাক শন্না ওপরেসন চথ্থরবসু গমগীফাই চেক গেটতি লৌথোক্ত্রি হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা দেল্লিদা মণিপুরগী খন্নখ্রে, মখাসু খন্নখিগদৌরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা সি.এম রিজাইন তৌবদি ইকাই খুমৈ, স্পিকরদা তাইনবদি লাল্লি হায়বা বি.জে.পি মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্টকী ৱাফমসু অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

ইচেল এক্সপ্রেসতা-মালেমঙানবগী হকচাং লৌখ্রে, খোঙজং হনখিরোই হায়বা জে.এ.সিগী ৱাফম অহানবা লমাইদা ফোঙলি। পাউচে অসিদা-মালেমঙানবা মীহাৎকা মরি লৈনদে, মরাল লৈবা মীওইশিং চৈরাক পীগনি, মীহাৎ অসি এম.পি.এদগী মীচেল ওইখিবা পার্তিনা চৈরাক পীনবগীদমক থিদুনা লাকপা মীওই অমনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌরগা চথ্থিবনি হায়বা পান্থৈনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফকী ৱাফমসু অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

হুইয়েন লানপাউদা-অমিত শাহগী মচানুপা জয় শাহনি শক্তাকচবা শকখঙদবা মীওই অমনা স্পিকর সত্যব্রটদা চিফ মিণিষ্টর ওইরকবা লুপা ক্রোর মরি দোনেসন তৌনবা তেল্লিফোনদা খঙহল্লক্লে হায়দুনা পুলিসতা ৱাকৎখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-মণিপুরদা পি.আর থল্লকপবু ফোক্সনা কনদেম তৌরি, অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরকবা আপিল তৌরি হায়না অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

মোর্নিং বেলদা-চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতগী খূৎলাইগা কোন্ননা কে.এন.এগী

কাদর ৭ ফারে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-বি.জে.পিনা মীয়ামগী অৱাবদগী মখোয়গী পোলিতিকেল গেমা হেন্না মরুওইনা লৌই হায়বা এম.পি.বিমোল অকোইজমগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা-বি.জে.পি হাই কন্মান্দনা মণিপুরগী অনৌবা চিফ মিণিষ্টরগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা-সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী দাবীদা কুকি জো কাউন্সিলনা হয়েং শান্তিগী খোঙচৎ অমা চৎকদৌরি হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোং তাইমসতা-ঐচ.এস.এল.সি অমদি কোসেমগী পরিক্ষা থারিবা মহৈরোইশিংদা অন্সমা য়াইফ পাউজেল পীরি হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**